১৬শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪

হৌদোকপা নুমিৎতা য়ুঠ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবনা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী গ্রাউন্দদা ১৬লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪ হৌদোকখ্রে।

টিম ১৫না গ্রুপ অনী থোক্তুনা ঙসিদগী হৌদোকখিবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী অহানবা মেটচতা য়ুঠ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব (ৱাই ও এস সী)না টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও)বু মায়থীবা পীখ্রে।

এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল মণিপুর এম দেবানন্দনা অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম রতনকুমারনা থৌরম মপূ অমদি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোবী, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী প্রসিদেন্ট এম মণি, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু মুবিমচা, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংগী প্রসিদেন্ট কে বিরেন্দ্রনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসিদগী হৌদোকখিবা ষ্টেট লীগকী ওইনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা ট্রাও অমসুং ৱাই ও এস সীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী ৱাই ও এস সীগী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙন্নগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ২১ শুবা মিনটতা ৱাই ও এস সীগী নিংথৌজম প্রিতমনা ট্রাওগী মায়কৈদা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুদসু ৱাই ও এস সীনা মখা তানা অদুম্মক লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৮৯ শুবা মিনটতা সোরেম সনাথোই মৈতৈনা মখা তানা পাঞ্জল অমা অমুক চনবা ঙমখি। ট্রাওগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরবসু বোল পায়বগী চাং ৱাৎখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা ৱাই ও এস সীগী নিংথৌজম প্রিতমনা মখা তানা পাঞ্জল অমমুক চনবা ঙমখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা ট্রাওগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ৱাই ও এস সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখিবনি।

হয়েং লীগ অসিগী ওইনা গ্রুপ এগী মেটচ অনী অদুগা গ্রুপ বিগী মেটচ অমা শান্নগনি। গ্রুপ এগী ওইনা অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা শঙ্গাই ফুটবোল স্কুল অমসুং এথলেটিক ফুটবোল ক্লবকী মরক্তা লম্বা তৌনগনি। নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদনা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স এফ সী অমসুং লিৱা চংনিং য়ুঠ কলচরেল ক্লবকা লম্বা তৌনগনি। অদুগা গ্রুপ বিগী মেটচ ওইনা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন অমসুং এন আই এস এগী মরক্তা লম্বা তৌনগনি।

৫রক শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

আই ভি এফ এনা ঈ এম ভি এফ সী থোইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস): আর কে ফোর্চ্যুন দিভলপ্পরনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা পিশুমদা লৈবা সী ৱাই এল সী গ্রাউন্দ (হাও গ্রাউন্দ)দা ঙসিদগী হৌরগা ৫রক শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর তখেল্লম্বম ফুলেন মৈতৈনা অথোইবা মীথুংলেন, য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট লোংজম ইবোতোম্বীনা থৌরম মপূ অদুগা মেনেজিং দিরেক্টর আর কে ফোর্চ্যুন দিভলপ্পর প্রাইভেট লিমিটেদ আর কে রামেশ্বর অমদি চীংঙামথক য়ুঠ লরনর্স ক্লব (সী ৱাই এল সী)গী প্রসিদেন্ট কোঞ্জেংবম চিংখমনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচতা আই ভি এফ এ শীংজমৈ অমসুং ঈ এম ভি এফ সী লম্লাইগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুগী ওইনসু টিম অনীমক্না হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ৫৪শুবা মিনটতা আই ভি এফ এনা খঙহৌদনা চথুরকখিবা কাউন্টর এটেক অমা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৯ কে রাজেশনা হৈন-শিংনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা ঈ এম ভি এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু আই ভি এফ এনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।

চথুরিবা ট্রোফি অসিগী হয়েংগী অহানবা মেটচ ওইনা এফ এল এ এম ইম্ফাল অমসুং এম য়ু এস এ ৱাঙ্খেগী মরক্তা লম্বা তৌনরবা মতুং অনীশুবা মেটচ ওইনা লংথবাল এফ সী অমদি ভি এস এ আই থাংমৈবন্দ অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনগনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ৱাফম কয়া থমখিবগা লোয়ননা অফবা শান্নরোয় অমা ওইনবা হোৎনবদা কখোকপগা লোয়ননা হোৎনবা অমদি থকশি-খাশি খঙনা চৎপা মথৌ তাই হায়বা ৱাফমশিং থমখি।

লাংমৈদোং অমসুং ভগবতি ৱাবগাই দ্রো চংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস): হিয়াংলম এন্দ ৱাবগাই কাংখূৎ (হোক) অমসুং ৱাবগাই অৱাং লৈকাই য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (ৱালিদা)না শীন্দুনা ৱাবগাই অৱাং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা চথুরিবা অহানবা লৈখিদ্রবা চবুংবম অমুতোম্বী অমসুং লৈখিদ্রবা এলাংবম মোটিলাল নীংশিং কুমওন ষ্টেট লেভেল কেন্দ্রৱাইজ ওপন লীগ কম নোকআউট কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লাংমৈদোং অমসুং ভগবতি লৈকাই পাঞ্জল ১১-১১দা দ্রো চংখ্রে। হয়েং কে কে সী ও এলাংবম লৈকাই অমসুং পুথিবা পাঙ্গৈ লম্বা তৌনগনি।

মালেমগী থাক্তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী হাওবিজম বুমিকা মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৯দগী হৌরগা মার্চ ৫ ফাওবা রসিয়াদা পাঙথোকখিবা মোস্কো ৱুশু ষ্টারস ইন্টরনেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপতা নুপীগী কেজি ৫৬কী কেটেগোরিদা সান্দাগী ওইনা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী তৌবুল অৱাং লৈকাইদগী হাওবিজম বুমিকানা এয়রপোর্টতা থুংলবদা তৌবুলগী মীয়াম্না হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

হন্দক্তা জম্মুদা পাঙথোকখিবা খেলো ইন্দিয়া নেসনল ৱুশু ৱিমেন্স লীগতসু মণিপুরগী ওইনা সান্দাদা বুমিকা খক্তনা কেজি ৫৬কী কেটেগোরিদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। হৌজিক ফাওবদা চহী নৌরিবী শান্নরোয় অসিনা গোল্ড মেদল ৬, সিলভর মেদল ২ অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল ৪ ফংবা ঙমখ্রে।

বুমিকা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মখাদা হাংলিবা আর সী সী নিংথৌখোংদা কোচ ওইনা লৈরিবা ইন্টরনেসনল মেদলিষ্ট এম রোনেলগী মখাদা ট্রেনিং ফংখিবা শান্নরোয় অমনি। নেসনল চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড লৌরবা মতুং মহাক অরুনাচলগী সাইদা লৈদুনা ট্রেনিং চথুরকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪দগী হৌরগা মহাক মতমদুগী ওজা লৈখিদ্রবা মণি অমদি ওজা উদয়চান্দগী মখাদা কুংফু হান্না শান্নবা হৌরকখিবনি। মহাক হাওবিজম প্রেমকুমার অমসুং রোমাগী মচানুপী য়াইমনি।

ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এ এম পি এ)না শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা ইরোইশেম্বদা লৈবা এ এম পি এগী পোলো গ্রাউন্দদা ১৯লক শুবা ৱিমেন্স অমদি ৭শুবা অন্দর-১৬ জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে।

পোলো টিম ১১না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ৱিমেন্সকী ওইনা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মদন পোলো ক্লবনা এম পি এস সীবু পাঞ্জল ১২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা জুনিয়র বোইজকী ওইনা শান্নখিবা মেটচকী ওইনসু মদন পোলো ক্লবনা অর্বিন্দ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

꯵ꯔꯛ ꯁꯨꯕꯥ ꯁꯉꯥꯏ ꯇ꯭ꯔꯣꯐꯤ ꯚꯦꯇꯔꯥꯟꯁ ꯐꯨꯇꯕꯣꯜ ꯆꯦꯝꯄꯤꯌꯟꯁꯤꯞ

ꯑꯥꯏ ꯚꯤ ꯑꯦꯐ ꯑꯦꯅꯥ ꯏ ꯑꯦꯝ ꯚꯤ ꯑꯦꯐ ꯁꯤ ꯊꯣꯏꯈꯔꯦ

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯷ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

USED VEHICLES EXCHANGE / 2,3,4 WHEELER SALES WITH PURCHASED / VEHICLES LOAN AVAILABLE

- # মখল খূদিংমক্কী Used Vehicles : 2 Wheeler (Activa, Dio, Pleasure, Fascino with Motorcycles... etc.) 3 Wheeler (Diesel Auto, Petrol Auto, e-rickshaw... etc.) 4 Wheeler (Cars, Commercial Vehicles, Tractors, Van, Eco Van and Heavy Vehicles, J.C.B... etc.) শিং Exchange তৌবীনিংবা, য়োনবীনিংবা (Sales) অমসুং লৈবীনিংবা (Purchasing) মীওইশিংগী খূদোংচাবা পীজরি।
- # 2/4/3 Wheeler গী Loan গী খূদোংচাবসু লৈগনি। e-Rickshaw loan সু লৈগনি।

EMPLOYMENT NEWS

Car Wash Helper 2, Tyre Fitting Helper 3, Gr-IV 3, Driver 3

N.B. : লৈবা-চাবা Free ওইবগী মথক্তা থাগী Pay মতিক চানা পীগনি।

Please Contact :
L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Imphal West with all Branches
Mobile No. : # 9366434484
9362775475

HL-B/8632/4/4-17/5

এম এন এগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর নেটবোল এসোসিএসন (এম এন এ)গী অখন্নবা জি বি মীটিং অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী কুমজা ২০২৪-২০১৮ ফাওবগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনবগী মীখল অমা রনবির সরাংথেমনা আর ও ওইদুনা হোটেল ইমোলেশতা পাঙথোকখ্রে।

মীখল অদুদা এল শান্তকেশোরবু প্রসিদেন্ট, এল ভানু চনুবু সেক্রেটরি, পি প্রিতমনা জোইন্ট সেক্রেটরি, ঐচ লুখোই অমসুং আর কে ক্রাদিটোরনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি, কে ঐচ রতননা ট্রেজরর ওইনা খনখ্রে হায়না এম এন এগী চেরোল অমনা হায়রি।

লোংজম জোনিনা মেন্স বোদি বিল্ডিংগী ওভরওল ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস): নেসনল ফিজিক কম্মিটি (এন পি সী) মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা নুপী বোদি বিল্ডর অমা য়াওনা পুন্না মীওই ২৭না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা এন পি সী মণিপুর চেম্পিয়নশিপ ২০২৪গী ওইনা লোংজম জোনিনা মেন্স বোদি বিল্ডিংগী ওভরওল ৱিন্নর ওইখ্রে।

NPC SERIES
MANIPUR CHAMPIONSHIP

চেম্পিয়নশিপ অসিগী মেন্স ফিজিক ওভরওল ৱিন্নরনা খুন্দ্রাকপম সচিননা তাখি। মেন্স ক্লাসিক ফিজিককী ওভরওল ৱিন্নরনা বোদি বিল্ডিংগী ওভরওল ৱিন্নর ওইখ্রবা লোংজম জোনিনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওরিবা নুপী এথলিট অদুদি ৱিমেন্স বিকিনি ওপনগীদা ইলাম সুনিতানি।

ঙসি চেম্পিয়নশিপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান-তোঙানবা কেটেগোরি মরি হায়বদি মেন্স ফিজিক, ক্লাসিক, বিকিনি অমদি মেন্স বোদি বিল্ডিংদা এথলিটশিংনা অথোই-অহেন চাংদম্নখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদগী মায় পাক্লক্লবা অমদি খনগৎলবা বোদি বিল্ডরশিংনা চহী অসিগী জুন থাদা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এমেচর ওলিম্পিয়াদা শরুক য়াগনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াহৌদবা শান্নরোয় অমত্তনা শেরু ক্লাসিক অমদি এমেচর ওলিম্পিয়াদা শরুক য়াবা য়ারোই।

[illegible]
CHANAKYA
IAS ACADEMY

3 Decades of Excellence, Extraordinary Results Every Year, 5000+ Selections in IAS, IFS, IPS and other Civil Services so far...

DELHI'S Prestigious Institute,
Now also in IMPHAL

A Golden Opportunity for the students of Graduation 1st year & above

Free Seminar on
"How to Crack IAS Exam"
by SUCCESS GURU A K MISHRA (Founder Chairman - Chanakya IAS Academy)

15th April, 2024 11:30 AM onwards
Seminar Venue : Chanakya IAS Academy Imphal Centre
To Book your Seat for Seminar, Call @ 6909907134

IAS First Batch: 10th May, 2024
Registration Open For Regular & Weekend Batches
Limited Seats Available

CHANAKYA IAS ACADEMY
Nurturing Leaders of Tomorrow
SINCE-1993

Imphal Center :
South Babupara, Near Babupara Durga Mandir
(Airtel Building) Imphal West - 795001
Toll Free No: 1800 274 5005 | www.chanakyaiasacademy.com

HL-B/8669/31/3-30/4

WE ARE HIRING

ꯖꯦ ꯁꯤ ꯑꯥꯔ ꯏ
JCRE
Group

Sl.No.	Name of the Post	Vacancy	Eligibility
1	Business Development Assistant	1	Graduate and above with a minimum 1 year of working experience in the relevant field.
2	EMT (Emergency Medical Technician)	1	B.Sc. Nursing /GNM with minimum 2 years of ICU experience. Prefer male candidates.
3	Project Assistant	1	Graduate with working knowledge of MS Word & MS Excel. Freshers can also apply.
4	Centre Manager/ Facility Manager	1	MBA/ PGDM with a minimum 4 years of working experience in an organised industry with at least 1 year in the managerial level and 2 years in the skill development sector.
5	Admin/ MIS Assistant	1	BCA/B.Sc. (IT)/PGDCA or any degree with a Diploma in Computer Application/Data Analytics. Freshers can also apply.
6	Recruitment Assistant	1	Graduate/Postgraduate preferably MBA in HR with a minimum 1 year of working experience in the related field. Freshers can also apply.
7	Office Assistant	2	Graduate with 2 years of working experience and a good command of Microsoft Office.
8	Counsellor	2	Graduate/ Post Graduate in Psychology with minimum experience of 2 years in Counselling.
9	Senior Trainer - Hospitality	1	Bachelor's or Master's degree in hospitality management or in a related field with a minimum 3 years of industry or teaching experience.
10	Associate Trainer - IT	1	MCA/ BCA, Computer science or relevant field with a minimum 1 year of working experience as an IT trainer.
11	Associate Trainer - English Communication & Soft Skills	1	Graduate or Postgraduate in English, Linguistics with a minimum of 1 year of experience in English Language and Corporate Training. Certifications in the English Language Proficiency is a must.
12	Training Assistant	1	Graduate with experience in the training department for at least a year, who can assist trainers.
13	Security	1	12th pass with 1 year of experience in the relevant field.
14	Housekeeping Staff	1	8th pass with 1 year of experience in the relevant field.

APPLY NOW!
SEND YOUR RESUME AT
Email
hr@jcre.ac.in
More information
+91 9366847804
Visit our office
Thangmeiband Meisnam Leikai

HL-B/8662/8

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1096

Bernard Cafferty - MikhailMikhailovich Yudovich
BCCA-USSR 1959-62 corr, 1959.01.01

1.c4 Nf6 2.Nc3 e6 3.e4 c5 4.e5 Ng8 5.d4 cxd4
6.Qxd4 Nc6 7.Qe4 f5 8.Qe2 a6 9.f4 Bc5 10.Nf3 Qb6
11.Bd2 Nd4 12.Nxd4 Bxd4 13.O-O-O Ne7 14.g3 O-O 15.Bg2 Nc6
16.Rhe1 Qb4 17.Qd3 Rb8 18.Be3 Bxe3+ 19.Rxe3 Qc5 20.Na4 Qb4
21.Qd6 Qxc4+ 22.Rc3 Qb4 23.Nc5 Re8 24.Rb3 Qa5 25.Bxc6 dxc6
26.Qxb8 Qxc5+ 27.Kb1 Kf7 28.Qc7+ Qe7 29.Rxb7 Bxb7 30.Rd7 Qxd7
31.Qxd7+ Re7 32.Qd6 c5 33.Kc2 c4 34.Kc3 a5 35.Qa3 Bd5
36.Qxa5 Rb7 37.Qc5 h6 38.Qc8 g5 39.fxg5 hxg5 40.h4 gxh4
41.gxh4 Kg7 42.Qe8 f4 43.h5 f3 44.Qg6+ Kh8 45.h6 f2
46.Qf6+ Kh7 47.a4...

QUESTION :
Black to win

Puzzle 1095 Solution :

12. Nxd7+ With a discovered check by the white queen. **Nxe2**
  12...Ne6 13.Nf6#
  12...Qe7 13.Qxe7#
  12...Ne4 13.Nf6#
13. Nf6# Double check mate Double check
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com